# এঙ্গলো মণিপুরী ৱার অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী-

**শজিবু,** এপ্রিল থা য়ৌরকপদা কপ্নীংগনু হায়বা য়াদে, হেক্তমক কপ্নীংলকই। এপ্রিল ২৭, ১৮৯১, শজিবুগী ১৮নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতনি মনীংতম্না হাইনা হুম্না পাঞ্জরন্বা মণিপুর ইমাগী নীংতম নুমিৎ তাখিবা। মতাং অসিবু চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি, “১৮নি নিংথৌকাবদা নোংঙানবা মতুং পুং ৭কী মতমদা নোংচুপলোমগী তেঙ্গোলনা কোনুংদা চঙখিএ। বর সাহেপনা হাল্লে। লৈকায় ৪ মা কুমদুনা কোরা পলতোন সাহেপনা কুরুপ তৌএ। ফৌসুং কৈ খুদিংগী খোমগৎলে। বর সাহেপনা মমাশিজগী সঙ্গাইদা লৈএ। মৈতৈগী নিংথৌদি বর সাহেপনা ওইএ।” (লামায় ৪৯৫, ১৯৮৯)।

এসিয়াগী জপান য়াওনা নোংচুপকী লৈবাকশিংনা লোইলম শন্দোকপগী লমজেল তান্নরকপা মতমদা এসিয়াগী লৈবাক কয়াবু বৃটিশকী লোই লৈঙাক মখাদা থম্বগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াদসু য়ৌরকখি, মতৌ অসুম্না মণিপুরগী লৈমায়দসু বৃটিশনা খোঙদারক্তুনা লোই লৈঙাক্কী মরূ হুনবা হৌরকখিবনি। অহানবা এঙ্গলো-ব্রমীজ ৱার (১৮২৪-২৬) গী মতুংদগী বৃটিশকী মীৎয়েং চঙবা হৌরকখ্রে হায়বা য়াই। মতুং তারকপদা লাইবক থীরবা থৌদোকশিং হায়বদি, কবো তম্পাক ম্যান্মারদা পীথোকখিবা, কোনুং লালহৌ, এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার, মণিপুরগী নীংতম নুমিৎ তাবনচিংবা কয়া মরী-মরী ইন্নদুনা লাকখিবনি। মীচং খোম্নবা, পুকচেল খোইজেল তিন্নদবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র (১৮৮৬-৯০) গী মথক্তা মনাও ইবুংঙো সেনাপতিনা লুচিংদুনা মমা তিন্নদবা নিংথৌমচাশিংনা লান হৌরকপদগী মৈদিংঙু সুরচন্দ্র ফম্বাল থাদোক্তুনা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিদেন্সিদা চঙজফম লৌখিবা মতুংদা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবগা লোয়ননা অমম্বা তাঙ্কক অমা লাক্লবগী লম্বী য়াৎপা হৌখি। কোনুং লালহৌগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি, “৭নি লংমাইজিংগী অহিং নোংয়াই মতুং পুং ৬তা শ্রী মনাও ইবুংঙো কোইরেং সেনাপতিগা অহুম্মা মাগী মাগী খূৎ পুদুনা মচিন মনাও অহুম্না কোনুং থুগাইএ। শ্রী ময়াম্বুং মহারাজ সুরচন্দ্র কৌবা চিংলেন লাম্থাবদি সাহেপকী বাঙ্গালাদা চঙখিএ”। (লামায় ৪৮০) অসুম্না সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৮০গী ‘কোনুং লালহৌ’ অসিগী মতুংদা মৈদিংঙু কুলচন্দ্র (১৯৮০-৮১) ফম্বান্দা কাখি। লাইবক থীবদি ইমুং-মনুংগী ৱাথোক্তা বৃটিশনা ককশাবী শাদুনা খূৎ থিংজিনবা হৌরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ঈমু-নাইমু তানবগী থৌদোক থোকখি। পূম্নমক অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা বৃটিশনা মণিপুরগী মায়োক্তা মায়কৈ অহুম হায়বদি কোহিমা, শিলচর অমসুং তমুদগী লাম্মী থাজিল্লক্তুনা লান্দারকখি।

হায়রিবা লান অসিদা থৌনা ফনা মায়ওং য়াদুনা মায়োক্লবা লানফমদা থৱায় কৎখিবা মমা নীংবা অথৌবা কয়াগী মনুংদা পোইলা ৱাংখৈ মৈরাবগী মমিং পুৱারীগী লামায়দা ময়েক লানা ইদুনা থল্লি। মহাক খাগেম্পল্লি পিশুম ওইনাম লৈকায়, ইম্ফালদা পোকখি। অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মিংদি মথংশিৎনা ৱাংখৈময়ূম ক্ষেত্রি (খেদাজি) অমসুং থিংবাইজম নিংঙোল ৱাংখৈময়ূম ওংবী কুন্দশ্বরীনি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মীনা লাকচবা য়াদবা মতিং মথৌনা লৈবা, লিংজেল খাবা মীশক অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা থাঙ-তাগী ওজা লোংজাম্বা লোমা (রোমা), কৈশামথোংদা লৈবগী মফমদগী থাঙগী মহৈ ফংবা ঙমজখি।


মতমগী মতুং ইন্না হৱাইবম নিংঙোল তোনুগা পুন্সি লৈপুন শেমদুনা চাউভল অমসুং তোম্বা হায়না মিংথোনবা মপারী অনী ফংজখি। মশাগী চহী ৩০ শুদ্রিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবাক্কী ফম্নাইবা ওইবা ঙমখিবা অতাঙবা মীশক অমনি। মহাক্কী মতিক মগুণ মথৌনা অদুবু মৈদিংঙু চন্দ্রকৃর্ত্তীনা শকখঙবীখি। মদুদসু নত্তনা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনসু মনা মথুম পীবিখি।

ঙসি মণিপুরগী পুৱারীদা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলানা মরুওইবা মফম অমা কন্দুনা থল্লিবা অসি মহাক্না মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা নীংহন্নবা লৈতনা লৌখিবা থৌদাং অদুননি। এঙ্গলো মণিপুরী ৱার, ১৮৯১গী লানফমদা তমুদগী থাজিল্লকখিবা বৃটিশ ফোর্সকা লান্থেংনবদা ককচীংগী মনাওচীংগী লানফমদা মাগী খোঙলোই লাম্মী ২০ লোমগা মথ্বায় কৎখিবনি। এপ্রিল তাং ১৭, ১৮৯১দা মণিপুরগী লমখৈদা য়ৌরকখিবা তমু কাংবুগী পাইওনিয়র কোল্যুমগা লান পাননবগীদমক মৈদিংঙু কুলচন্দ্রগী য়াথং মতুং ইন্না ককচীং পল্লেনলোমদা লান চৎনবা শেম শাখি।

মতাং অসিবু চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি, “ৱাংখৈ পোইলা নঙনচিংবা ককচীং পলেন্দা চৎলো। অহিং নোংয়াইদা লান চৎহল্লে।” (লামায় ৪৯০) মতৌ অসুম্না অরোনবা থৌরাং তৌদুনা অরোনবা লম্বীদা ককচীং ফাওরগা পল্লেন্দা লান চঙনবা য়াথং ফংবদগী এপ্রিল তাং ২০গী অহিং নোংয়াইদা মাগী খোঙলোইশিংগা লান চৎখি। মথং নুমিৎতা থৌবালদা থুংখিবগা লোয়ননা অহিং নোংয়াইদগী থৌবাল অথোকপম, খাঙবোক খুঞ্জাউ, মোইরাংপল্লি, তেন্থা, থম্বাল চীংয়া, মান্তকচীং মথং মথং ফাওদুনা লাক্লগা সেংমাই তুরেল লান্থোক্লগা কুম্নাংপাৎ য়ৌরকপগা লোয়ননা ককচীংগী মনাওচীংদা তেঙ্গোল শাদুনা এপ্রিল ২২গী অয়ূক্তগী লৈখি। হায়রিবা মফম অদুদা পল্লেন্দগী থাজিল্লকখিবা মেজর লেসলিনা লুচিংবা বৃটিশ শগোল লাম্মী ১৫০ রোমগা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাগী কাংবুগা য়াম্না কন্না খূৎ থোক্লখি। হায়রিবা এপ্রিল ২৩দা শোক্লখিবা ককচীং মনাওচীংগী অকনবা লানফম অদুদা মৈরাবা য়াওনা অথৌবা ২০ লোম মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখি। থৌদোক অসিগী মতাংবু চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি, “ৱাংখৈ পোইলানা চীংজিন্দা তেঙ্গোল পুদুনা চঙখিদুনা সাহেপকী তেঙ্গোলদি কদাইদনো হংববু ককচীংনা চীংদা লৈবা অসিনে হায়রবগা খুল্লক্তগী সাহেপ সিফাই থুপলমদুনা খুন হৌদুনা নোংমৈ কাপ্লম্মে। ৱাংখৈ পোইলানচিংবা নুপা ৩০ মরুমগা খূৎনা ফংনা য়ান্নরে। ৱাংখৈ পোইলানচিংবা মী ২০ শিএ। অতৈ অয়াম্বদি চেনখিএ। (লামায়, ৪৯২)

অসিগুম্লবা মণিপুরগী পুৱারীগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মনাওচীং হায়রগা খঙনবা চীং অসি ককচীং কৈথেলদগী কিলোমিটর অমমখায়রোম মখারোমদা চৎলগা লৈবা মফম অমনি। বর্ম্মা-শুগুনু রোদকী খারোমদা লম্বী অসিগা য়াম্না নক্লনা লৈ। চীং অসিগী চীংখোঙদা লৈরিবা চুম্নাংপাৎ অসিসু অয়াম্বা শরুক নোংমা নোংমগী ফুনজিল্লক্লি। মতৌ অসুম্না ১৯শুবা চহীচাদা শোক্লখিবা মণিপুরগী নীংতমলানগী মরুওইবা মফম অসিবু হিষ্টোরিকেল সাইট অমা ওইনা চেকশিন্না মাঙহন-তাকহনবা তৌদনা ঙাক শেন্দুনা থম্ননবগীদমক লমদম অসিগী অখঙ অহে কয়ানা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাকখি। মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলরশিং, নাওরেম অমুয়াইমা (পণ্ডিট অচৌবা), পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, সনখ্যা বি কম সনাহল, মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত, ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনচিংবনা মে ১২, ১৯৮২দা মনাওচীংদা চত্তুনা ৱাংখৈ মৈরাবা অমদি মাগী খোঙলোইশিংনা য়াতাখিবা মফম অদু য়েংশিনখি। মদুগী মতুং তারকপদা ডা. কে ঐচ সোরোজিনি, রিটয়ার্দ দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর অমসুং ডা. কে সোবিতা, রিটয়ার্দ দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর, অনীনা মফম অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৮৯গী মার্চ ১দা পিপল ম্যুজিয়ম ককচীংদা লাক্তুনা ৱাংখৈ মৈরাবগী নীংশিং খুভম শাদুনা ষ্টেটকী থাক্তা চহী খুদিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লবা ৱাফম থম্ললবা মতুংদা মার্চ ২০দগী য়েংখোম মুহিন্দ্রো, নাওরেম থানিলজাও, নাওরেম বীরচন্দ্র, মোইরাংথেম রাজেন, শৌগাইজম রঞ্জন (অঙাংচা), লানথম শামু, ক্ষেত্রিময়ূম মঙ্গিজাও, গোদধর, মান্তক চৈরাওনচিংবা মীওই কয়ানা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী লুচিং মখাদা মনাওচীং মৈরাবনা থৱায় পোন্থা ওইখিবা মফম অদুগী লম ওনবা শেংদোকপা শেমজিন শাজিনবগী থবক লোইশিল্লবা মতুংদা এপ্রিল ২৩, ১৯৮৯দা মতমদুগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর শ্রী য়ুংখাম ইরাবতনা ৱাংখৈ মৈরাবগী নীংশিং খুভম য়ুংবীখি। অসুম্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকপগী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্না মফম অসিবু হিষ্টিরিকেল সাইট অমা ওইনা শকখঙবীবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।






লমদম অসিগী মীয়াম্না ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলাগুম্বা অথৌবা কয়াগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরিবা অসিদা মীপূম খুদিংমক্লা পূক্লিং থৌগৎপীফম থোকই। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা অমদি কখোক্লীংবগী ঈনোৎ পীবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। মদুগা লোয়ননা মখোয়গী নীংশিং খুভমশিং অসি উরগা মমাঙথক্তা হৌখ্রবা কয়াদু খঙবা ঙমগদৌরিবনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং করম্না থোকখিবা অমদি অমুক হন্না থোক্লক্তনবা চেকশিনৱা থম্বগা লোয়ননা মীরোল খুদিংমক্তা মরীক চূম্বা পাউদম থল্লিবা মরু ওইরবা মফমশিং অমদি নীংশিং খুভমশিং অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি মণিপুর মীয়াম পূম্নমক্কী থৌদাংনি। অদুবু লাইবক থীবদি থৱায় য়াওবা মীওই খরা অমদি ৱাংখৈ মৈরাবগী ইমুং মনুং খরা নত্তনা মফম অসিবু হিষ্টোরিকেল সাইট অমনি হায়বসি কাউথোক্লবগুম তৌরি। নাকল অমরোমদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তসু খুমাং চাউশিনবা অদুক্কী মতিক ৱাৎলি হায়বা য়াই। শোয়দবা ঙম্বা কনাসু য়াওদে। মরম অমা ওইরো, অমা ওইরো মতমগী মতাংদা চয়েৎনবা ৱাফম লৈবসু য়াই। পূম্নমক্তু তুংওইনরগা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা অমদি মাগী খোঙলোইশিংনা মথ্বায় কৎখিবদু মরন্নাই কান্ননবা থিবা চৎপদা নত্তে। মরৈবাকপু য়েক্লবগী মখূৎতগী কন্ননবা হোৎনবদা থাখিবা থৱায়শিংনি। তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। ইরৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমকনি। ঐখোয় পূম্নমক খঙমিন্নবগী মথৌ তাই। লৈঙাক্লসু মফম অসি শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা মীৎয়েং চঙহঞ্জনীংই।

# চাকথুং ফিথুংদবা ইম্ফাল


- থৱান -

১. **কুইনা** ঙাইরবা মতুং করিগুম্বা অমা ফংবদা হরাউবা অসি ওইরক্তবা মীকুপ্তা করিসু কান্নফম লৈতে। মতমগী মনুংদা ঐখোয়না শেম্বা হৌরকফম অমসুং লোইশিনফম, মরক্তা কোয়চেন চেন্নবা অদুগা য়ৈশিন্নবা, তুশিন্নবা, নেৎশিন্নবা। অশোক-অপন মরক্তা নিরগা-ফোইরগা চামিন্নবা, চাকথুং ফিথুংদবগী মতৌ ওইরকই। খুদি থিরগা মীঙোন্দা শাওবা, খৎননবা মরৈ য়েৎপা, ৱাকায় ঙাঙনবগী মরম পুথোকপা, খূৎ থোক্লবা, খামদোক্লবা অদুগা অফাও শান্নরগা মঙক থেকৎলগা চৎনখি। মচিন কনবা নুপী নৎত্রগা নুপা খেন্নবা করিসু লৈতে। ইকায়বা খঙদে। মী অনী লাউনরগা খৎনবদা অকোয়বদা লৈবশিংনা মঙক থাঙ্গৎলগা য়েংই অদুগা নোক্লে। য়াওশিনবা ঙমদবা শাওনীংবা মরক্তা মী ওইনা হিংবসি তুকৎচরকই।

২. মীতৌ তম্বনা হেন্না মরু ওইরকই, মশানা মশাগী করিগুম্বা অনৌবা অমত্তা পুথোক্লবা হোৎনদ্রি। মীৎকা-মীৎকা, নাকোংগা-নাকোংগা, চিনবানগা-চিনবানগা চাংদম্নবনা হৌই। চাংদম্নববু খ্বাইদগী অথিবা মহৈ অমা ওইহল্লি। অনৌবা অমা থেংনবা মীকুপ্তগী তম্মী অদুগা থেংনরিবা অনৌবদু চপ মান্ননা ঐগী অনৌবা হায়বা মমিং পীরগা পুথোরকই। অনৌবা থিবা পুন্সিগী মফম কয়াদা ওইদবা, শেংদবা, শাজিন্নবা মালহনবা অদুগা চয়েৎনবা। অশেংবা ময়েক থোকপা উবা ফংদবা খূৎ-খোঙ পানবা মী অমা ওইনা পায়বা-চৎপা ঙম্বা, মী অমনা তৌরকপা অদুম য়েংলগা, তম্লগা, হোৎনরগা পাঙথোক্লে। করিগুম্বা অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা শাগৎপদা চঙবা মচাকশিং কোয়চায় চায়দুনা লৈ। খুন্নীংবা মফমদগী খুল্লি অদুগা লংথোকনীংবা মফমদা লংথোকই। খুনবগী মহুত্তা নেৎশিল্লগসু চৎলি।

মশাগী মমিদু মশানা নেৎশিঞ্জরগা অতোপ্পা মমিশিংদা য়েংলগা কোয়তান তান্নদুনা চেন্নবা, মিংশেলদা মশাগী অশেংবা শক্তম য়েংজবা ঙমদবা, করিগুম্বা খরা তৈশিন্দুনা, শেৎচিন্দুনা, য়েকশিন্দুনা মালহনবা অদুগা মশাগী মশকনি খল্লগা নোকচবা, মসি ঐগী শক্তমনি।

ফজরবসু নাচোম ওইনা চিন্নদবা লৈশিং তাওথরকই কৈথেল ফাওরগা চেনবা তুরেল মচাশিংদা। নাচোম শেম্নীংলবসু করি তৌরুনি। নাচুংবা পোক্তে কনানসু ।



৩. হানবা তান্নবা অসুম হেনগৎলক্লি। ইহান হান্না লাকপা লৌবা ঙম্বনা অশিংবা ওইরকই। লমজেল তান্নবগীদমক করিসু মীপাইদনা চেকশিন্না শেম শারগা লৈনরি। লৈখোম মরক্তসু চবেৎ-চবেৎ কোয়তৈ-তৈরগা চেন্নরি। অহাংবা মফমদা পেন্না চৎপা, তুমিন্না ফম্বা ঙম্নদবা, মতমনা কোয়চিংদুনা পুবা অদুগা লোকখাদা ইন্থরকপা। মতমনা লাক্লরি কোয়শেন শেন্নদুনা। মরকসিদা তৌদবা য়াদবগী তৌবা, তৌনীংনা তৌবদি নত্তবা, নংহৌদবগী শোয়দনবা তৌবা, অদুগা মনা লৌবা। লোইশিনবা খক্তনা হেন্না মরু ওইরকপা, তৌরিবদুগী মনুংদা ময়েক শেংদবা, মরোল মরোল।

শজিবুদা মপাল শাৎহৌনবা ইন্থুনরগা লিৎথোক্লরকপা, মমিংতগী ফুগায়না শাৎপা মফম মরাং খঙদনা। মনা লৌবগী মনুংদা শেল তানবসু য়াওশিনবা, করম্বা মফমদা হৌবা, করম্বা পাম্বীগী মনানো হায়বদি খঙদবা, মুন্নবদা তাশিল্লবা, শুপচিল্লবা, শেগায়রবা মনাদু ফংনবা খুজিলনা খোৎনবা, শিকতৎনবা, হুমাং তানবা। ওইথোকপা ওইথোক্তবা লাকপা-ফোইবা হৈবনা মহুৎ শিনবা অদুগা মমিং চাউনা থাবা-হকপা, করিগুম্বা অমা পাঙথোকখিবগী নীংশিংনবা থমহৌবদুনা হেন্না মরু ওইরকপা। শীজিন্নবদা কান্নবা নৎত্রগা কান্নদবা খঙদবা, পীথোকখিবা শিন্নখিবা অদুগা মমিং অমা থোকখিবা অসুম্না তৌখ্রে অসিনচিংবা। অসিনচিংবশিংগী মফমদগী কান্নবা লৌথোক-লৌশিন য়ানবা হোৎনবদা হৈশিংবনা মীৎ থকহনবা। মীৎ থকহনবনা খুদোংচাবা পীরকপা, উবগা য়েংনীংবা পোকহনবা। চঙশিল্লুরগা অসুম থিরকই।

৪. মফমসিদা ঐখোয়গী শরুক কনশিন্নবা তান্নবা, ঐখোয় ময়ামগী মরক্তা পোকপা ঐখোয়শিংগী ফুরুপ মচা-মচা, অপীকপা ৱাখল মথি ফোংবা। ঐখোয়দা নপশিনবা চনপ্লবা মরীশিং চিংথোকপদা শন্দোরকপা অদুগা ঐখোয়শিংনা ফোইদৎনবা, লাম্নরগা ৱায়নবা।

ঐখোয়গী ঐখোয়না নৎত্রগা ঐখোয়বু অসিনচিংবা।
শন্দোরকপা ফোইদৎনবা
পাকথোরকপা শেগায়নবা
‘চাকথুং ফিথুংদবা ইম্ফাল’।

(ফোটো : তিংথৌনু)

# নাওরেম রমা ফিজিকেল এদ্যুকেসন ইন্সত্রক্টরবু নীংশিংলকপা

- নাওরেম গন্ধার -

**ককচীং** খুঙ্গং অমা ওইনা মহৈ-মশীনগী লমদা য়াম্না চাওখৎত্রিঙৈগী মতমদা ককচীং হায় স্কুল অসি লৈঙাক্কী মতেং ফংবা মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইনা লৈরম্মী। ক্লাস নাইন-টেনগী মহৈরোয়শিং তম্বীনবা বি এ, বি এস সী পাস তৌবা ওজা ওইবীনবা ককচীংদা লৈরমদবনা ইম্ফালদগী লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রিঙৈ মতম খরগী ওইনা তাকপী-তম্বীনবা মীওইশিং লাকপীদুনা মহৈরোয়শিংবু থৱায় য়াওনা তম্বীরম্মী। ইলিমেন্টরি তাক ফাওবগীদি মতমদুদা ককচীংদা আই এ অমদি মেত্রিক পাস তৌবা মীওই মরাং কায়না লৈরবনা লৱার ক্লাসশিংদা তাকপী-তম্বীবগী লমদদি থোইদোক্লা অৱাবা লৈরমদে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অমদা কুমজা ১৯৫০গী চহীশিং লোইশিল্লমদাইদা নাওরেম রমা মেত্রিকুলেটকী ওজা অমা ওইনা ককচীং হায় স্কুলদা থবক চঙখি। চহী ইকান কান্নদনা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ইন্সত্রক্টরশিং হাপ্লবা লৈঙাক্কী থৌরাং অমগী মখাদা (পোষ্টক্রিয়েসন) স্কুলগী মেনেজিং কম্মিটিনা নাওরেম রমাবু মদ্রাজগী ৱাই এম সী এ কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ১৯৫৯-৬০ সেসন্দা ত্রেন তৌরুনবা থাখি। মশান্না কয়াগী মরক্তা মহাক্না খ্বাইদগী পামজবদি ইরোয়বা অসিনি।

মদ্রাজগী ত্রেনিং অদুদা নাওরেম রমা মশক নাইবা ত্রেনি অমা ওইখি। ককচীং হায় স্কুলদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ইন্সত্রক্টর ওইনা থৌ পুরবা মতুংদগীদি হায়রিবা মশান্না অসিদা মণিপুরদগী মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া জাতিগী থাক্তা পুথোক্লবা হোৎনবদা নাওরেম রমাসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। খুদম খরদং পঞ্জরবদা ইম্ফালগী কোংবদা লৈবা পুখ্রি অচৌবা অসি ইরোয়বা মশান্নগীদমক্তা শেমগৎ-শাগৎপদা ককচীংগী শান্নরোয়শিংবু লমজিংদুনা থৌদাং য়াখিবা ওজা অমনি। মতমদুদা ককচীং লমদমগী ওইনা ইরোয়বগী মশক নাইবা শান্নরোয়শিং খরা পনবা তারবদি ক্ষেত্রি কুঞ্জো (ককচীং মখা লৈকায়), নোংমাইথেম মোধু (ককচীং তুরেল ৱাংমা, হৌজিক-হৌজিকমক সেনিয়র এদভোকেট), ক্ষেত্রি বাবুধোন (ককচীং তুরেল ৱাংমা), নোংমাইথেম শিতলজিৎ (ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়) অমদি নোংমাইথেম নরজিৎ (ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়) অসিনি।

মশান্না অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা মীওই কয়া মরুওইনা ইম্ফাল অমদি অতোপ্পা মণিপুরগী মফমশিংদগী য়াওবীরমগনি। অদুবু থিজিনবা অমদি নীংশিংজবা ঙমজদবদগী পঞ্জখিদ্রবসু মীয়াম্না ৱারৌবীরোই খঞ্জে। তশেংনা হায়রবদা কোংবগী পুখ্রি অচৌবা অসি ষ্টেটকীদা নত্তনা জাতিগী থাক্তা ইরোয়বগী অথোই-অহেন তান্নফম ওইখ্রবনি।

অরোইবা ওইনা হায়জনীংবদি তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী গ্রাসরুট লেভেলদা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনবিখিবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন ইন্সত্রক্টর ওইবিখিবা ওজাশিংগী মরমদা নীংশিংবীবনা তুংগী মীরোলদা পীবা মপাল নাইদ্রবা লৌশিং-জ্ঞান ওইগনি খঞ্জে।

